টাজিকিস্টান হায়র লীগ ফুটবোল ২০২০

# ষ্টিকলোলএফসীনাকুকটোসএফসীবুপাঞ্জল৬-১দা মায়থীবা পীখ্রে, ফাইজকননা ষ্টারবসন থোইখ্রে

Tajikistan Vysshaya Liga



দুসানবে, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী): এসিয়াগী লৈবাক টাজিকিস্টান দা পাঙথোক্লিবা লৈবাক অদুগী হায়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মকোক থোংবা টিম ষ্টিকলোল এফ সীনা কুকটোস এফ সীবু পাঞ্জল ৬-১দা মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেচ অমদা ফাইজকননা ষ্টারবসনবু ২-১দা থোইবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেচ অসিগী মাঙওইননা ষ্টিকলোল এফ সী মেচ অহুম শান্নখিবদা অনী মায় পাল্লগা অমা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট তরেৎ ফংদুনা লৈখি। অমরোমদা মখোয়গী লম্বা ওইখিবা কুকটোস এফ সী মেচ অহুম শান্নবদা অমা মায় পাল্লগা অনী দ্রো চৎতুনা পোইন্ট মঙা ফংখি।

মেচ অদু হৌরকপদগী এফ সী ষ্টিকলোল মায়কৈদগী দোমিনেট তৌবা ঙমখি। শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী এম ঝালিলোবনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মখা তারকপা পুঙ্খায় অমরোমগী মতম অদু টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙম্মদনা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবা মিনট ১৬ হৌজিল্লকপদা ষ্টিকলোলগী মায়কৈদগী আর সিরোবনা ৬১শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল হাপচিনখি। মিনট ৪গী মনুংদা টিমমেট এম ঝালিলোবনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখ্রবা মতুং টিমগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু ৬৯শুবা মিনটতা এম রহিমোবনা চন্দুনা ৪-০দা কুকটোসপু মাঙজিল থাখি।

মেচকী ৮২শুবা মিনটতা কুকটোসকী মায়কৈদগী কে নজ ারোবনা পাঞ্জল অমা হন্দোকখি। অদুবু ৮৩শুবা মিনটতা ষ্টিকলোলগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা আর সেরোবনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ৫-১দা কুকটোসপু মাঙজিল থাবা ঙমখি। শান্নবগী অপীবা মতম হেন্দোরক্লবা ইঞ্জুরি টাইমদা সিরোবনা মহাক্কী হেটট্রিক অদু চল্লগা ৬-১দা মেচ অদু থোইখি।

ফাইজকন অমসুং ইষ্টারবসনগী মেচ অদুগী অহানবা হাফতা ইষ্টারবসনগী কোদিরোবনা চনখি। অনীশুবা হাফতা ফাইজকনগী কুরবানোব অমসুং মুরুদোবনা পাঞ্জল অমমম হাপচিল্লগা ২-১দা থোইখি।



| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Istiklol | 4 | 3 | 1 | 0 | 17 | 3 | +14 | 10 |
| 2 | Fayzkand | 4 | 2 | 2 | 0 | 7 | 5 | +2 | 8 |
| 3 | Khatlon | 3 | 2 | 1 | 0 | 7 | 5 | +2 | 7 |
| 4 | Kuktosh | 4 | 1 | 2 | 1 | 5 | 7 | -2 | 5 |
| 5 | Regar-TadAZ | 3 | 1 | 1 | 1 | 6 | 4 | +2 | 4 |
| 6 | FK Khujand | 3 | 1 | 1 | 1 | 6 | 5 | +1 | 4 |
| 7 | Locomotiv-Pamir | 3 | 1 | 1 | 1 | 4 | 5 | -1 | 4 |
| 8 | CSKA Pamir | 3 | 1 | 0 | 2 | 4 | 6 | -2 | 3 |
| 9 | Dushanbe-83 | 3 | 0 | 1 | 2 | 0 | 8 | -8 | 1 |
| 10 | Istaravshan | 4 | 0 | 0 | 4 | 3 | 11 | -8 | 0 |

মেগনস কার্লসন ইনভাইটেসনেল ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট

# ৱর্ল্ড নম্বর ৱান মেগনস কার্লসননা মেক্সিম ভেসিয়র লাগ্রেব থোইখ্রে, ফাবিয়ানো করোনানা অলিরিজা মায়থীবা পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী): মালেমগী চেছ মশান্নগী নুপাগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা নোর্ৱেগী গ্রান্দমাষ্টর মেগনস কার্লসননা ফ্রান্সকী গ্রান্দমাষ্টর মেক্সিম ভেসিয়র লাগ্রেবপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা পোইন্ট ২.৫-১.৫দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেচ অমদনা য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্ট ফাবিয়ানো করোনানা ইরানগী গ্রান্দমাষ্টর অলিরিজা ফিরোজাবু পোইন্ট ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।





মেগনস কার্লসনা শীন্দুনা ২৫০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা মেগনস কার্লসন ইনভাইটেসনেল ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট অসিদা মালেমগী অতোপ্পা মকোক থোংবা শান্নরোয় ৭ শরুক য়ারি।

ঙরাং শান্নখিবা তরেৎশুবা রাউন্দ অদুদা কার্লসননা গেম মরিগী মনুংদা অহানবা গেম অদু অঙৌবা মচু পায়দুনা মেক্সিম ভেসিয়র লাগ্রেবকা শান্নরকপদা দ্রো চৎখি।

অনীশুবা গেম অদুসু দ্রো চৎলবা মতুং অহুমশুবা গেমদা কার্লসননা লাগ্রেবপু থোইবদগী পোইন্ট ২-১দা মাঙজিল থাখি। লাগ্রেবনা মরিশুবা গেম অদু থোইদবা য়াদবা অমা ওইরবসু কার্লসনগী ফজবা মশান্নগা দ্রো চৎতুনা তরেৎশুবা রাউন্দ অদু ২.৫-১.৫দা থোইবা ঙমখি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা তেরেৎশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা য়ু এস এগী ফাবিয়ানো করোনা অমসুং ইরানগী গ্রান্দমাষ্টর অলিরিজা ফিরোজাগা লম্বা তৌনবনি।

টুর্নামেন্ট অসি রেপিদ চেছ গেম ৪/৪ রাউন্দ অমদা শান্নরোয়শিংনা লম্বা তৌনৈ। দবল রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা শান্নরোয়শিং ২/২ থেংনগনি। করিগুম্বা রাউন্দ মরি অদুদা শান্নরোয় অনীনা পোইন্ট মান্ননা ফংদুনা লৈরবদি অর্মাগিরন টাই ব্রেক গেম অমা শান্নগনি। মদুদা অঙৌবা মচুনা থোইদবা য়াদবা মেচ অমা ওইগনি। অদুগা করিগুম্বা দ্রো চৎপা তারবদি অমুবা মচু পায়রিবা শান্নরোয় অদুনা মায় পাকপা ওইগনি।

ইরানগী চহী ১৬তা ঙাইরিবা শান্নরোয় অলিরিজা ফিরোজানা হৌখিবা চয়োলদা ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট অমদা মেগনস কার্লসনবু মায়থীবা পীদুনা চেছকী লম্দা মীয়ামদা অনৌবা শান্নরোয় অমা ওইবগী মগুন উৎপা ঙমখি।

ঙরাংগী মেচ অদুদা মহাক ফাবিয়ানো করোনাগী মখূৎতা থংনবা গেম অনী মায়থীবা নংখি। অদুবু অহুমশুবা গেমদা মহাক্না করোনাবু থোইদুনা গেম ১-২দা শোথনা লৈরবসু মরিশুবা গেম অদুদা মায় পাক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি।

এক্সপরিএন্স লৈরবা য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর ফাবিয়ানো করোনানা মরিশুবা গেম অদুদা অলিজা ফিরোজাবু লাকশিন্না শান্নবা ঙমখিবদগী মায় পাক্তুনা ৩-১দা হেন্দুনা রাউন্দ অদু মহাক্না থোইখি।

ঙসি অথেংবদা য়ু এস এগী অতোপ্পা গ্রান্দমাষ্টর হিকারু নকামুরা অমসুং রসিয়াগী শান্নরোয় ইয়ান নেপোমনিয়াচিনা নিপানশুবা রাউন্দদা লম্বা তৌনগনি। হায়রিবা রাউন্দ অদুগী অতোপ্পা মেচ অমদা চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর দিং লিরেন অমসুং নেদরলেন্দসকী গ্রান্দমাষ্টর অনিস গিরিগা থেংনগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী রাউন্দ তরেৎ লোইশিনখিবা ফাওবদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অমসুং ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা নোর্ৱেগী মেগনস কার্লসননা পোইন্ট ১১ ফংদুনা শান্নরোয় নিপানগী লনলাইন টুর্নামেন্ট অদুদা মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

য়ু এস এগী ফাবিয়ানো করোনা পোইন্ট নিপান ফংলগা অনীশুবদা লৈরি। লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোয় গ্রান্দমাষ্টর হিকারু নকামুরা পোইন্ট তরুক ফংলগা মরিশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙম্লি। মঙাশুবা পোজিসনদা পোইন্ট মঙা ফংলিবা মেক্সিম ভেক্সিয়র লাগ্রেব লৈরি।

রসিয়াগী ইয়ান নেপোমনিয়াচিনা পোইন্ট মঙা ফংলগা তরুকশুবা অদুগা আলিরিজা ফিরোজা অমসুং নেদরলেন্দসকী অনিস গিরি পোইন্ট স্কোর তৌবা ঙমদনা লৈরি।

# ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়ানা দিসেম্বর-জন্যুৱারীদা ইন্দিয়াগী টিমনা লাক্কুনা শান্নগদৌরিবা অদুনা বোর্দ অদুগী মতেং ওইগদৌরি

মেলবোর্ন, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী): মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা শান্ননবগী হীরম খুদিংমক লেপ্পুনা লৈহল্লকপা অসিনা মরম ওইরগা ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট বোর্দনা চাউরাক্না ওষ্ট্রেলিয়ন দোল্লর মিল্লিয়ন ৩০০ রোম মাঙবা য়াবগী ফীভমদা লৈরি। অদুবু চহীসিগী দিসেম্বর অমদি জন্যুৱারী থাদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমনা টুর অমা লৈবাক অদুদা লাক্কদৌরিবা অদুনা য়াম্লবা শেনফম অদু কন্নবগী মচাক অমা ওইরি হায়না ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি হায়না রিপোর্ট অমনা থল্লক্লি।

কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিনা লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা ফাওনবা য়াহন্দনা লোকদাউন্দা লৈনরি। ওষ্ট্রেলিয়াগী ওইনা লৈবাক অদুগী বোর্দর খুদিংমক সেপ্টেম্বর ৩০ ফাওবা সিল্ড তৌদুনা থম্লি। অদুবু মখা তারকপদা চৎথোক চৎশিনগী অয়াবা খরদি পীরকপা য়াবগী রিপোর্টসু লৈরি।

মমিং লৈরবা ক্রিকেটকী ৱেবসাইট অমদা ফোঙদোরকখিবা রিপোর্ট অসিনা মখা তারদুনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমনা ওষ্ট্রেলিয়াদা দিসেম্বর অমসুং জন্যুৱারী লোন্নবদা লাক্কুনা ক্রিকেট টুর শান্নগদৌরিবা অসি লৈবাক অদুগী লৈঙাক্কী মায়কৈদগী য়াম্না চেকশিন্না অমদি লূম্না লৌহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লি।

করিগুম্বা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টুর অদু য়ৈথোকপা তারবদি ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়ন দোল্লর মিল্লিয়ন ৩০০ হেন্না মাঙগদৌরি। ওষ্ট্রেলিয়াদা ক্রিকেট মশান্না অসি লৈবাক শীনবা থুংনা য়াম্না পাম্ননা য়েংনবা মশান্না অমনি।

হৌজিক মতমগী স্পোর্টস ইভেন্ট পূম্নমক মাঙজৌননা সেদ্যুল তৌনরবা মতুংদা টেলিভিজন ব্রোদকাষ্টিং রাইটকী য়াম্না চাউবা থৌদাং লৌদুনা রাইট অদু তোঙান তোঙানবা কম্পেনিশিংনা মুন্নরিবনি। মদুদা ওষ্ট্রেলিয়ানা লৈবাক অদুদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম অদু লাকহন্দুনা শান্নবা তারবদি মখোয়না ভাবক অমত্তা য়াওহন্দনা ষ্টেদিয়ম অমদগী হোংদনা শান্নবগী প্লান্নিংসু তৌবা লৈখ্রবনি।

খোঙথাং অসিনা মায় পাকপা ওইরক্লবদি ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়ানা মাঙজগদৌরিবা শেনফম অসি শুপ্পগী ওষ্ট্রেলিয়ন দোল্লর মিল্লিয়ন ৫০নি। মদুদা ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়াদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টুর অদুনা চাউনা মতেং পীগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টুর অসি মপূং ওইনা তোকপা তারবদি রেভিন্যু ওইনা হান্না পান্নরম্বা মিল্লিয়ন ৩০০দগী হেনগৎলগা ওষ্ট্রেলিয়ন দোল্লর মিল্লিয়ন ৫০০ হেল্লকপা য়াই হায়না পানরি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসননা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা মহাক্কী লৈঙাক্না লৈবাক অদুদা শান্নবগী ইভেন্টশিং মখা তানা চত্থদনবা পায়খৎপা য়াবা খোঙথাং পূম্নমক পায়খৎলে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মী পূনবা য়াদবা (সোসল দিষ্টেন্সিং থম্বা) না মরম ওইরগা মরুওইনা শান্নবগী ইভেন্ট অমা পাঙথোকপদা ষ্টেদিয়ম অদুদা ভাবক কয়া অমা লাক্কুনা য়েংগদৌরিবনি। ভাবকশিং অদুগী টিকেটনা বোর্দ অদুগী রেভিন্যু কারক্কদৌরিবনি।

অদুবু লায়না লাইচৎ অসি হৌজিক ফাওবদা শন্দোকপা লেপ্তুবা মরম্না শান্নরোয়শিং, কোচশিং, সপোর্ট ষ্টাফশিং লোয়ননা ষ্টেদিয়ম অদুগী গ্রাউন্দ ষ্টাফশিংগী হকশেলনা মরু ওইবা থবক ওইনা লৌখৎকদবা মরম্না ষ্টেদিয়মদা মী তিনবগী খোঙথাং অদুমা হন্দক্কী মতাং অসিদা লৈরোইদৌরি।

লোয়ননা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টুর অদুদা ষ্টেদিয়ম ৪/৫ মমাঙদা এনগেজ তৌদুনা লৈরম্বা অদু চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা ষ্টেদিয়ম অমখক্তদা সেরিজ অদু লোইশিনহনবগী খোঙথাংসু পায়খৎলকপা য়ানা লৈরি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) গী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিমনা ওষ্ট্রেলিয়াগী টুর অসি য়ৈথোকপা নৎত্রগা চৎপগী মতাংদা ৱারেপ অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি।

# কোভিদ-১৯ লাইচৎ লাম্হেংননবা হোৎনবদা ফিফানা মেম্বর এসোসিএসনশিংদা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১৫০ পীথখ্রে



লোজেন, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা ঙসি ফাওবদা মীওই ২৮,৬৮,০০১ নাহনখ্রে। মদুগী মনুংদা মীওই ২,০০,৪৩৬ শিহনখ্রে। অদুগা মীওই ৮,১৯,৩৫৬না ফহনবা ঙমখ্রবনি। শন্দোকপগী চাং অসি লেপ্পা লৈত্রি। মসিনা মরম ওইরগা শান্নবগী হীরম খুদিংমক লেপ্তুনা লৈরিঙৈ তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মেম্বর এসোসিএসনশিংবু মতেং পাংহন্নবগীদমক্তা ফুটবোলগী খ্বাইদগী চাউবা লূপ ওইরিবা ফিফানা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১৫০ অহানবা খোঙথাং ওইনা রিলিফ ফন্দগী মওংদা পীথখ্রে হায়না লূপ অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কুমজা ২০১৯ অমসুং ২০২০গী ওইনা ফিফাগী মখাদা লৈরিবা মেম্বর লৈবাক ২১১না য়ু এস দোল্লর ৫০০,০০০গী শেন্থং লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ফংগনি। অদুগা ৱাংহৌবশিং অদুসু মখা তানা পীরক্কনি হায়রি।

কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মালেমগী ফুটবোল কম্যুনিতি খক্তা নত্তনা ফিফাগীসু য়াম্না চাউনা শেল-থুমগী মতাংদা চৈথেং পীরবনি হায়না প্রসিদেন্ট জিয়ানি ইনফান্টিনোনা ফোঙদোকখ্রে।

অসিগুম্বা চিরবা মতম অসিদা শেলগী মতেং অদু তঙাইফদনা মথৌ তারিবা অৱাবা নংলবা মেম্বর এসোসিএসনশিংদা পীনবা হোৎনরকবনি হায়রি।

কুমজা ২০২০গী ওইনা জুলাই থা ফাওবগী মনুংদা মেম্বর এসোসিএসনশিংদা পীগদবা শেনফমশিং অদু অহানবগী ওইনা য়ু এস দোল্লর ৫০০,০০০ পীথোক্লবা মতুং অনীশুবা ইন্সটোলমেন্টসু অথুবা মতমদা পীথোক্লবা শেম শারি হায়না প্রসিদেন্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

ফিফাগী মায়কৈদগী পীরিবা শেনফম অসিনা লৈবাক ২১১গী মেম্বর এসোসিএসনশিংনা মখোয়না মাঙজৌননা পীথোক্কনি হায়না লৈখিবা ষ্টাফশিং অমদি অতোপ্পা থর্দ পার্টি শিংগী শেনফমশিং অদু হান্না পীথোক্কদবনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনসু ২০২১ ওলিম্পিক্তা শরুক য়াগদবা এথলেট ১৬০০দা মতেং ওইননবা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ২৫ মতেং পীখি।

# ১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ৱাংহৌবা মেচশিং শান্নররোই

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী): খুমুকচম জয়কিষণনা স্পোন্সর তৌরগা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা পাঙথোকপা ১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০গী লেমহৌরিবা মেচশিং কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা লোকদাউন লৈবদগী শান্নররোই।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী থৌপুরোইশিংনা টেলিফোনগী খূৎথাংদা কূপ্না খন্নরবা মতুংদা লেমহৌরিবা মেচশিং সস্পেন্দ তৌবগী দিসিজন অসি লৌখিবনি। ১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০ অসিগী ৱাংহৌরিবা মেচশিং সস্পেন্দ তৌখিবনা টুর্নামেন্ট অসিগী থমখিবা প্রাইজ মনি অমদি টিম রেজিষ্ট্রেসন লৈররোই। মরমদি লীগ টুর্নামেন্ট অসি মখা চত্থবগী মতম লৈতবননি।

পনবা য়াবদি টুর্নামেন্ট অসি টিম ১৬না শরুক য়াদুনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৬তগী হৌদুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা চত্থরকখিবনি। লীগ টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা টিমশিং অদুদি নেরোকা এফ সী শঙাকফম, ত্রাও এফ সী ক্বাকৈথেল, ৱাই পি ঐচ য়ু লমলোং মখোং, কে এল এ এস এ কৈনৌ, ৱাই য়ু এফ সী উখুল, দি এম রাও অৱাং সেকমাই, য়ু কে দি চুড়াচান্দপুর, এইম খাবম, এস এস য়ু শিংজমৈ, এ এফ সী থৌবাল অথোকপম, নাকো নম্বুল মপাল, জি এস সী শুগ্নু, এম এ কাংপোকপী, নিশা থাংমৈবন্দ অমদি এস য়ু শগোলবন্দনি।



১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০ অসিদা এম এ কাংপোকপীনা মেচ তরেৎ শান্নবদা মেচ তরুক মায় পাল্লগা মেচ অমা মায়থীরগা পোইন্ট ১৮ ফংবা ঙমখি। নিশাথাংমৈবন্দনা মেচ তরেৎ শান্নবদা মেচ মঙা মায় পাল্লগা মেচ অনীনা মায়থীদুনা পোইন্ট ১৭ ফংবা ঙমখি।

নেরোকা এফ সীনা মেচ তরুক শান্নবদা মেচ ৫ মায় পাল্লগা মেচ অমা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ১৬ ফংবা ঙমখি। য়ু কে বি চুড়াচান্দপুরনা মেচ তরেৎ শান্নবদা মেচ মরি মায় পাল্লগা মেচ অনী দ্রো চৎলগা মেচ অমা মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ১৪ ফংবা ঙমখি। এস এস য়ু শিংজমৈনা মেচ তরুক শান্নবদা মেচ অহুম মায় পাল্লগা মেচ অনী দ্রো চৎলগা মেচ অমনা মায়থীদুনা পোইন্ট ১১ ফংবা ঙমখি।

ৱাই য়ু এফ সীনা মেচ তরেৎ শান্নবদা মেচ অহুম মায় পাল্লগা মেচ অনী দ্রো চৎলগা মেচ অনী মায়থীদুনা পোইন্ট ১১ ফংবা ঙমখি। ৱাই পি ঐচ য়ু ললাম্বুং মখোঙনা মেচ তরুক শান্নবদা মেচ অহুম মায় পাল্লগা মেচ অমা দ্রো চৎতুনা মে অনীনা মায়থীবা নংলগা পোইন্ট ১০ ফংবা ঙমখি।

নেরোকা নম্বুল মপালনা মেচ তরেৎ শান্নবদা পোইন্ট ১০, এস য়ু শগোলবন্দনা মেচ নিপান শান্নবদা পোইন্যু মাপন, জি এস সী শুগ্নুনা মেচ নিপান শান্নবদা পোইন্ট ৯, এইম খাবমনা মেচ তরেৎ শান্নবদা পোইন্ট ৬, এ এফ সী থৌবাল অথোকপমনা মেচ ৮ শান্নবদা পোইন্ট ৪, ক্লাসা কৈনৌনা মেচ ৬ শান্নবদা পোইন্ট ১, দি এম রাও অৱাং সেকমাইনা মেচ ৬ শান্নবদা পোইন্ট অমত্তা ফংবা ঙমদনা লৈখিবনি।

বেলারসিয়ন প্রেমিয়র লীগ ২০২০

# এফ সী মিন্সকনা স্লাভিয়া মোজিরবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে, বাটেবোরিসোবনাএফকেগোরোদয়াবু২-০দাথোইখ্রে



মিন্সক, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী): য়ুরোপতা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লৈনা লৈনা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট পাঙথোকপা অমত্তা ঙাইরবা লৈবাক ওইরিবা বেলারসতা লৈবাক অদুগী প্রেমিয়র ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা তরুকশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা এফ সী মিন্সকনা স্লাভিয়া মোজিরবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেচ অমদনা বাটে বোরিসোবনা এফ কে গোরোদয়াবু পাঞ্জল ২-০দা থোইবা ঙমখ্রে।

ঙসি য়ুনোষ্ট ষ্টেদিয়মদা ভাবক অমত্তা য়াওদনা শান্নখিবা তরুকশুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা এফ সী মিন্সককী মায়কৈদগী শান্নবগী পুঙ্খায় চংশিল্লকপদা টিম অদুগী শান্নরোয় রোমান গ্রিবোবস্কিনা পাঞ্জলগী একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি।

স্লাভিয়া মুজিরগী মায়কৈদগী হাফ অদু লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা ০-১দা শোথরগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট অমা ফাদ্রিঙৈদা এফ সী মিন্সককী মায়কৈদগী চত্থরকপা এটেক অমা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা রোমান গ্রিবোবস্কিনা পীরকখিবা পাস অমদা টিমমেট য়ারোস্লাব য়ারোটস্কিনা ৪৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল চন্দুনা ২-০দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পুঙ্খায় অমরোমদা স্লাভিয়ান মোজিরগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্কবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। ৪৯শুবা মিনটতা টিম অদুগী ৱ্লাদিস্লাব ঝুকনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। অদুবু ইকুই কুইদনা শান্নবগী ৮৭শুবা মিনটতা এফ সী মিন্সককী মায়কৈদগী ওনজেন রোলোবিচনা পীরকপা বোল অমদা অর্টেম বাসিলেবনা পাঞ্জল ওম্থোক্তুনা মেচ অদু ৩-১দা মায় পাখি।

ঙসি গোরোদয়া ষ্টেদিয়মদা য়ূম্বু ক্লব এফ কে গোরোদয়ানা বাটে বোরিসোবকা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা বাটে বোরিসোবকী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ চনশিল্লগা ২-০দা থোইখি।



| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Slutsk | 5 | 3 | 1 | 1 | 9 | 6 | +3 | 10 |
| 2 | BATE Borisov | 6 | 3 | 1 | 2 | 8 | 5 | +3 | 10 |
| 3 | Torpedo-BelAZ | 5 | 3 | 1 | 1 | 4 | 2 | +2 | 10 |
| 4 | Vitebsk | 5 | 3 | 1 | 1 | 4 | 3 | +1 | 10 |
| 5 | Gorodeya | 6 | 3 | 0 | 3 | 3 | 5 | -2 | 9 |
| 6 | Energetik-BGU | 6 | 3 | 0 | 3 | 6 | 7 | -1 | 9 |
| 7 | Minsk | 6 | 3 | 0 | 3 | 9 | 10 | −1 | 9 |
| 8 | Isloch Minsk Raion | 5 | 3 | 0 | 2 | 7 | 7 | 0 | 9 |
| 9 | Dinamo Minsk | 6 | 3 | 0 | 3 | 9 | 6 | +3 | 9 |
| 10 | Neman Grodno | 6 | 2 | 2 | 2 | 6 | 4 | +2 | 8 |
| 11 | Slavia Mozyr | 6 | 2 | 1 | 3 | 7 | 10 | −3 | 7 |
| 12 | Rukh Brest | 5 | 2 | 1 | 2 | 2 | 2 | 0 | 7 |
| 13 | Dynamo Brest | 5 | 2 | 1 | 2 | 6 | 5 | +1 | 7 |
| 14 | Shakhtyor Soligorsk | 5 | 1 | 2 | 2 | 3 | 3 | 0 | 5 |
| 15 | Smolevichi | 6 | 0 | 3 | 3 | 3 | 7 | −4 | 3 |
| 16 | Belshina Bobruisk | 5 | 0 | 2 | 3 | 3 | 7 | −4 | 2 |

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com